# ম্যান্মার মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী ভর্দিক্ট অমুক হন্না মিলিটরি জুন্তানা য়ৈথোকখ্রে



য়াঙোন, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মার মিলিটরিনা কূ তৌদুনা মফমদগী নম্ফুদা লৌথোকখ্রবা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী ভর্দিক্ট অমুক হন্না লৈবাক অদুদা পৱার পায়রিবা মিলিটরি জুন্তানা য়ৈথোকখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করি মরমগীদমক লুচিংবী অসিগী ভর্দিক্ট য়ৈথোকখিবনো হায়বগী মতাংদদি মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা কোর্টতা চঙবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অথিংবা থমখি। কোর্ট মনুংদা করম্বা রাই তাখিবনো হায়বা মীয়াম্না খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু লুচিংবী অসিগী ভর্দিক্ট মথং চহীগী জানুৱারী ১০ দা অমুক য়ৈথোকখ্রে হায়বদি খঙবা ঙম্লে। মশাগী চহী ৭৫ রোম শুরবী লুচিংবী অসিগী মথক্তা মিলিটরিনা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শিরি। অদুবু মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসিগী চপ চাবা খুদমদি পুথোকপা ঙমদ্রি। খুদম পুথোকপা ঙমদ্রবসু মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা লুচিংবী অসিনা কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইখি হায়বগী মরালদা মমাং থাদা চহী ৩ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রবনি। অদুম ওইনমক মহাক হায়রিবা মতম অসি জেলদা থম্বগী মহুত্তা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লৈহনগনি হায়না কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ম্যান্মারদা পৱার পায়রিবা মিলিটরি জুন্তাগী কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন দুনা লাক্লি। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্লবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১,৩০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা ১১,০০০ হেন্না ফাজিনখ্রে।

# সোমালিয়াগী প্রসিদেন্টনা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে

মোগাদিসু, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
ইলেক্সন মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবগী মতাংদা সোমালিয়াগী লুচিংবা কয়া নাকপাক তানদুনা অকনবা মওংদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লিঙৈ মরক অসিদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রাইম মিনিষ্টর সস্পেন্দ তৌরে হায়না খঙহৌদনা লাউথোরকপদগী চরাংনবা অমুক্কা হেন্না থোকহল্লে হায়রি।

সোমালিগী প্রসিদেন্ট মুহমদ অব্দুলাহি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মুহমদ হুসেন রোবল অনীগী মরক্তা ইলেক্সনগা মরী লৈননা হৌখিবা থা খরা অসিদা চাওনা মুক্লবগী মমি মীয়াম্না উরি। অসিগুম্বা চরাংনরিঙৈ মরক অসিদা প্রসিদেন্ট অব্দুলাহিনা খঙহৌদনা প্রাইম মিনিষ্টর রোবলবু মফমদগী লৌথোক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি। লৈবাক অসিদা জিহাদিষ্টশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চখরিবা অসিবু মপুঙ ফানা মায়োক য়াবদা মতেং ওইনবগীদমক নৌনা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক অমা সোমালিদা লৈহন্নবা হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী খন্নদুনা লাকখিবনি।

ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী মতাংদা কয়ারক হন্না খন্নখ্রবসু হৌজিক হৌজিক পৱার পায়রিবা মীওইশিংগী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা ইলেক্সন মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। ইলেক্সন মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টরগী অশোয়বনি হায়না প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাকপু সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।





অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর রোবলনা মহাক্কী মথক্তা শিরল্লিবা মরালশিং অদুবু য়াখিদবগা লোয়ননা প্রসিদেন্টনা নম্ফুদা মহাক্কী থবক থৌরমশিং পায়শিন্নবা হোৎনরল্লিবা অসি লাইবক থিবনি। ইলেক্সন তৌবগী মতম লেপ্পা ঙমদ্রিবা অসি প্রসিদেন্টনা থোকহনবনি। লৈবাক অদুগী মিলিটরি অমদি প্রসিদেন্টকা লৌতুনদুনা থবকশিং অসি চথখিবনি হায়বা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অমরোমদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন মতুংইন্না প্রাইম মিনিষ্টরবু খুদক্তা সস্পেন্দ তৌবা য়াদে । সস্পেন্দ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা চথুগদবা ওফিসল প্রোসেস পুন্নমক কাম্প্লোল্লগা মহাকপু সস্পেন্দ তৌরে হায়না লাউথোরকখিবা অসিদা মহাক নাচুংবা পোক্তে হায়রি। অমরোমদা পি এম ওফিস মনাক্তা মিলিটরিশিং দিপ্লোয় তৌরবসু মহাক্না মহাক্কী ওফিস চঙবদা অথিংবা পীবা ঙমখিদে হায়রি।

# টাইফুন রাইনা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৩৮৮ শুখ্রে



মানিলা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
ঙসিদগী নুমিৎ ১০ রোমগী মমাংদগী ফিলিপিন্সতা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ (টাইফুন রাই) না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৩৮৮ শুখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭ কী লোন্নবা অহিংদগী হৌরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা টাইফুন রাইনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনি। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মরুওইবা লম্বী কয়াগী নাকলদা হৌবা উ পান্বীশিং অমদি ইলেক্ট্রিক পোষ্ট কয়া তেকহনখ্রে। অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা য়াওবা ঈচাওশিং থোকহনবতা নত্তনা চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিংসু থোকহনখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই ৩৮৮ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৬০ থিবা ফংদনা লৈরি। অদুগা ১০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখি হায়না সিভিল দিফেন্স ওফিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা মিলিটরি য়াওনা মতেং পাংবগী থবকশিং অকনবা মওংদা চথরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ফেব্রুৱারী ২০২২ দগীদি ভেক্সিন শুকশোয় শোয়দনা কাপকদবনি

সিঙ্গাপোর, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং মখল মখা কয়াগী চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনরক্লি। পায়খৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১ দগীদি সিঙ্গাপোরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন শুকশোয় শোয়দনা কাপকদবনি হায়বা অনৌবা ওর্দর অমা থোকখ্রে।



অনৌবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি মথং চহীগী ময়ায় চল্লকপা ফাওবদা মীপুম খুদিংমক্তা লৈঙাক্না কাপথোক্লবা পান্দম থম্লি। পান্দম অসি মায় পাকহন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা ওর্দর অসি থোকখিবনি। ভেক্সিন কাপথোক্তবা মীওইশিংনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১ দগী মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবা য়াহন্দনবা খন্নরি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্না নৌনা লৌরক্লিবা ফিরেপশিং অসিদা অপেন পেন্দা ময়াম অমা লাকপা য়াই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ ভেক্সিন অথুবা মতমদা কাপথোক্লবা হোৎনগদবনি।

মরুওইনা গভর্নমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী ওইনদি ভেক্সিন কাপথোকপা অসি য়াম্না মরুওইরি। করিগুম্বা মথং চহীগী অরোইবা থা ফাওবদা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রবদি ওফিস কাবা য়াহন্দবগা লোয়ননা মখোয়গী সেলেরি ককপা হৌরগনি হায়না নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা চ্যেক পোইন্টশিং অমদি হেল্থ সেন্টর খুদিংমক্তা অহেনবা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং হাংদোক্লবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা রেন্দম ওইনা টেষ্ট পাঙথোক্লবসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

# স্পাই চীফনা রসিয়ন অমসুং চাইনিজ এজেন্টশিংদগী চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
বৃটেনগী এম আই-৫ চীফনা লৈবাক অদুগী মীয়াম অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা রসিয়ন অমসুং চাইনিজ এজেন্টশিংদগী য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ফোরেন স্পাইশিং অসিনা লৈবাক অসিদগী টেক্নোলোজি হুরান্নবা অমদি মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মাঙহন তাকহন্নবা হোৎনরি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

চহী ২০ লোমগী মমাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতসু খূৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা এটেক চথদুনা মীওই কয়া শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অমাং অতা থোকহনখি। মদুগী মতুং ৱেষ্টর্ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা অচৌবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌরকখিবনি। খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা গ্রুপশিং অদুগী মতাংদা ৱেষ্টর্ন ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা মায় পাক্না থিজিনবা ঙম্লবসু রসিয়া অমসুং চাইনাগী এজেন্টশিংনা চথরকপা অরোনবা থবক থৌরম কয়াদি দিটেক্ট তৌবা ঙমদনা লৈরি।

ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা খ্বাইদগী হেন্না চেকশিনিংঙাই ওইরিবসি চাইনা অমসুং রসিয়ানি। টেক্নোলোজিগী লমদা হায়রিবা লৈবাক অনী অসি য়াম্না খুমাং চাওশিনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মতমদা চাইনানা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী দেটাশিং হেক তৌনবা য়াম্না তোয়না হোৎনবগী মমি তারি। অদুমওইনমক চাইনাদা লৈবাক অমত্তনা খুদমগা কোন্ননা মরাল শীবা ঙমদ্রি হায়রি।

# জর্নেলিষ্টশিংদা তাথি তাওইনা তৌরকখিবগী থৌওং য়ু এসনা কন্দেম তৌখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
চাইনাদা মীশি মীনা কয়া থোকহনখিবা ঈচাওগা মরী লৈননা রিপোর্ট লৌখিবা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংদা তাথি তাওইনা তৌরকখিবগী থৌওং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু য়াম্না ৱাখল্লোন য়াওদবা থৌওং অমনি হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাং চয়োলদা সেন্ত্রেল হেনান প্রোভিন্সতা ঈচাওনা অচৌবা চৈথেং পীখিবা অদুগা মরী লৈননা বি বি সীনা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা পাউ অমা বৈজিংনা শাশিন্নবা পাউনি হায়না মরাল শীরকখি। লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিং অদুনা মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্লে হায়বগী মরালসু শীখি। হেনান প্রোভিন্সতা থোকখিবা ঈচাওনা পীখিবা চৈথেং মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুমওইনমক পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাদা থবক তৌরিবা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংনা মীশি মীনাগা মরী লৈনবা পাউশিং ফোঙলি। অদুমওইনমক ফোঙলিবা পাউ অদু অচুম্বা নত্তে হায়না বৈজিংনা মরাল শীখি।

চাইনানা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম মালেমগী লৈবাকশিংদা তম্বা পামদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংবু লৈবাক অদুদা লৈহন্দনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়া পায়খৎলি। চাইনা গভর্ণমেন্টনা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিং লৈবাক অদুদগী চৎখ্রো হায়না তাম্বোক্ত্রবসু মখোয়না তৌরিবা থবক থৌওংশিং অদুদি ফোরেন জর্নেলিষ্টশিং লৈবাক অদুদগী চৎখ্রো হায়বগা চপ মান্নে। মদুগী খুদম হায়ববু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় ঝাও লিজিয়ানা বি বি সীবু অরানবা পাউ শন্দোকপা কম্পনি অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনি।

অমরোমদা চাইনা অমসুং ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগা য়ানদবা কয়া লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা চাইনিজ ওথোরিটিনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথরব্রা হায়না মায়কৈ কয়াদগী ৱাহংশিং হংনরক্লি। অদুবু মরী লৈনবা চাইনিজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগীদি হিরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি

# উইঘুরশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে

অনকারা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ এর্দোগাননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না থাক মান্নবা চাইনিজ কাউন্টরপার্ট ঝি জিনপিংদা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নদুনা চাইনাদা হৌজিক হৌজিক ৱাথোক ওইরিবা উইঘুর মুস্লিমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

য়ু এন এক্সপার্টশিং অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা চাইনাদা লৈরিবা উইঘুর মুস্লিমশিংদা চাইনিজ ওথোরিটিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথৈ হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা উইঘুর মুস্লিমশিংগী মথক্তা ওৎ নৈবগী থবক লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী চাইনাদা উইঘুর মুস্লিমশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুং টর্কিগী প্রসিদেন্ট এর্দোগাননা হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংগা ৱারী শান্নদুনা খন্নখিবনি।

# ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মীওই অমা শিহনখ্রে

সিদনি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা ওষ্ট্রেলিয়াদা ইহান হানবা ওইনা মীওই অমা শিহনখ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা মীওই অমা শিহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা কা হেন্না চৈথেং পীবা ওইদ্রি। হোস্পিটালদা ওমিক্রোনগা মরী লৈনবা পেসেন্টশিং পুখৎলকপগী চাং য়াম্না নেন্লি। মসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা অথিংবশিং থমজিন্নবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি। অদুবু মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবদি মথৌ তারি।

ওমিক্রোননা মরম ওইরগা ঙরাং লেখিদ্রবা মীওই অসি চহী অসিগী জুলাই থাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরুবদগী ফগৎলক্তুনা লৈরিবা মীওই অমনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা মহাক অমুক হন্না পোজিটিব ওইরকপদগী মখা তানা টেষ্ট তৌরুবা মতমদা ওমিক্রোননি হায়না কনফার্ম তৌখিবনি। মদুগী মতুং ঙরাং মহাক লৈখিদবনি।

# মৈ চাকখ্রবা ফেরিগী মপু পুলিসনা ঙসি ফাগৎখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা বংলাদেশতা ফেরি মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৩৯ শিহনখিবা অদুগা মরী লৈননা বংলাদেশ পুলিসনা মৈ চাকখ্রবা ফেরি অদুগী মপু ঙসি ফাখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, মৈনা চাকখ্রবা ফেরি অদুদা তোংবা য়াবগী অয়াবা পীরিবা অসি শুপ্নতগী মীওই ৪২০ খক্তনি। অদুবু মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা মতমদা ফেরি অদুদা পুন্না মীওই ৭০০ তোংখি। মসিগী মথক্তা ফেরি সেফটি গাইদশিংসু মপুঙ ফানা ফেরি অদুদা ইন্সটোল তৌরমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা ফেরি মপু অদু ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক পুলিসনা ঙসি ফাগৎখিবনি। মৈনা চাকপগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অয়াম্বা মৈনা কা হেন্না চাকখিবদগী অমদি মথ্বায় হিংনবা হোৎনবদা তুরেলদা চোংথরকপদগী ইরাক্লদুনা শিখিবা ঙাক্তনি।

অমরোমদা মেরিন পুলিস ওফিসর মাহবুর রহমননা ফোঙদোকখিবদা, কোর্টগী ওর্দর অমগী মতুংইন্না ফেরি মপু অদু ঙসি পুলিসনা ফাখিবনি। মহাক্না লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৮ অমসু ফানবা কোর্টকী ওর্দর অদুদা পল্লি। মখোয় ৮ সু অথুবা মতমদা ফাদুনা কোর্টতা পুথোক্লবা হোৎনরি। মীওই ৮ অদুগী মনুংদা ফেরি অদুগী কেপ্টেন অমদি ষ্টাফশিং য়াওরি।

# কেমিকেল ৱিপন শাবদা শিজিন্নবা পার্ট য়োল্লম্বগী ফারে



পেরিস, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী) :
সিরিয়াদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা কেমিকেল ৱিপনশিং শাবদা শিজিন্নবা মচাকশিং সপ্লাই তৌই হায়বগী মরালদা ফ্রেন্স-সিরিয়ান নুপা অমা পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

জুদিসিয়েল সোর্ছ অমগী মতুংইন্না, মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা মীওই অসি ব্যুজিনেস মায় পাক্না তৌরিবা মশক নাইবা মীওই অমনি। মহাক্কী কম্পনিগী খুত্থাংদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা কেমিকেল ৱিপনশিং শাবদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং সিরিয়াদা সপ্লাই তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মহাক্কী মতাংদা য়াম্না কুপ্না শেন্নদুনা লাকখিবনি। মহাক ফ্রান্সতা পোক্তুনা চাওরবসু সিরিয়ন সিটিজন্সিপ লৌদুনা লৈখ্রবা মীওইনি। হৌখিবা থাংজা নুমিত্তা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লৈবাক অসিদা কোইবা লাকপদা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR
Ref. Mutation Case No. 196/SDC/Bishnupur, 2021
Thingujam Kunjapati Devi W/o (L) Th. Manihar Singh of Bishnupur Kha Ward No. 7 - Petitioner
-Vs-
Thingujam Mahindro Singh S/o (L) Ibohal Singh of Bishnupur Kha - O.P.
/ NOTICE
Bishnupur, the 27-12-2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Thingujam Mahindro Singh S/o (L) Ibohal Singh of Bishnupur Kha দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাট্টা নং 399 (অরিবা) 553 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 1310 গী 1.02 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চথগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Bishnupur
HL-P/1102/28

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR
Ref. Mutation Case No. 195/SDC/Bishnupur, 2021
Thinujam Kunjapati Devi W/o (L) Th. Manihar Singh of Bishnupur Kha Ward No. 7 - Petitioner
-Vs-
1. Thinujam Mahendra Singh S/o (L) Manihar Singh of Bishnupur Kha-7
2. - do - Manihar Singh S/o - do - of - do - - O.P.
/ NOTICE
Bishnupur, the 27-12-2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Thingujam Mahendra Singh S/o (L) Ibohal Singh of Bishnupur Kha-7 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাট্টা নং 733 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 1467 গী 0.49 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চথগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector, Bishnupur
HL-P/1102/28

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG
Ref:- Mutation Case No. 469/SDC/IW-L/2021
Achom Kiran Singh S/o (L) Achom Yaima Singh of Nagamapal Kangjabi Leirak - Petitioner
-Vs-
Late Achom Yaima Singh S/o (L) Gopal Singh of Lairenkabi - OP/Party
/ NOTICE
27-12-2021
U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অচোম য়াইমা সিংহ পীতা মৃত গোপাল সিংহ সাং লাইরেনকাবীগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবী অনৌবা পাট্টা নং ৯ দাগ নং ১০৭ গী এরিয়া .৫৮ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector: IW : Lamsang
HL-P/1067/28

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG
Ref:- Mutation Case No. 468/SDC/IW-L/2021
Achom Kiran Singh S/o (L) Achom Yaima Singh of Nagamapal Kangjabi Leirak - Petitioner
-Vs-
Late Achom Yaima Singh S/o (L) Gopal Singh of Khwai Nagamapal Kangjabi - OP/Party
/ NOTICE
27-12-2021
U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অচোম য়াইমা সিংহ পীতা মৃত গোপাল সিংহ সাং খ্বাই নাগামপাল কাংজাবীগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮২ দাগ নং ১০৩ গী এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৬২ চাওবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।
Sd/- Sub-Deputy Collector: IW : Lamsang
HL-P/1067/28

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR
Ref. Mut Case No. 490/AS & SO/III Date 27-12-2021
Mangsatabam (O) Saikhom (N) Pratima Devi W/o Late Mangsatabam Rajesh Singh of Luwangsangbam ...... Petitioner
-V/S-
Late Mangsatabam Rajesh Singh S/o Late Jadumani Singh of Luwangsangbam ...... O.P.
/ NOTICE
Imphal 27-12-2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং 384/Angh. অরিবা 210/Part 'A'. অনৌবা দাগ নং 1199/Part 'A' এরিয়া .05 একর চাওবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার নং Mangsatabam Rajesh Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঞ্চোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 4-1-2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।
Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, III-Manipur
HL-P/1070/28

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR
Ref. Mut Case No. 475/AS & SO/III Date 18-12-2021
1. Rajen Rana S/o Churamani Rana of Lamphel Sanakeithel
2. Bobby Rana C/o Churamani Rana of Lamphel Sanakeithel
3. Dolly Rana W/o Pukhrambam Ojit Singh of Sagolband Meino Leirak - Petitioners.
-V/S-
Hem Kumari Devi W/o Churamani Rana of Lamphel Sanakeithel - O.P.
/ NOTICE
Imphal 27-12-2021
Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 91-(A) Lamphelpat পাট্টা নং E অরিবা 389 অনৌবা দাগ নং 6185 এরিয়া 0.0075 হেক্তর চাওবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার নং Hem Kumari Devi মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঞ্চোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 4-1-2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।
Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, III-Manipur
HL-P/1070/28